# কুমজা ১৯৬৯/৭০গী মতমসিদা উখ্রুলগী ফুঙয়ার হায়স্কুলদা টেবল টেনিসকী বোর্দ থাদুনা তাঙ্খুলশিংসু টি টি শান্নবা হৌরে


লৌরেম্বম দয়ামোয়
*ভেটরান প্লেয়র*

(ঙরাংগী মখা)

উখ্রুলগী মফম কয়ামুক্তা গাড়ি চেনজরকপদগী ৱাখল কয়া অমসু মথং মথং লাকখি। চহী খরা চৎচরকপা অদুদা নোলেজ খরসু ফংজরকখি। অমরোমদা, নাগাগী ইরাংদি পাবুঙনা গাড়ি চৎলিঙৈদগী হৌনা লৈরকখ্রে। ঐখোয়দদি থোইদোক্লা অয়েৎ অপন অমত্তা থোইনা লৈরমদে। গাড়ি চঙলকপদা মখোয়না ঐঙোন্দা ইতৎ-তত্তনা পুরকউ হায়না তপ্পা পোৎলমসিনা গমবুট, থুম, কোই ফান্নবা ব্লেদ, কম্পল ..... অসিনচিংবনি। উখ্রুলগী পোশাইতুং য়ৌনা চৎপা মতমসিদদি লমলানগেটতা, লিতান্দা পুলিসশিংনা হেক হেক চেক তৌই। গাড়িদা করি পোৎ পুবগে হায়বসি য়াম্না কুপ্না য়েঙশিল্লি। গমবুটকা, থুমগা পুশিনবসি য়াদবা মতম অমসু লৈখি। থুমসি কান্ট্রুক শুংবদা শিজিন্নৈ হায়দুনা মরক অমা কন্না থিঙখি। অদুবু অমসু অমসু য়ানবা হায়দুনা মখোয়গীদমক খরদি পুরগা চৎলকখি। অদুনা, ঐখোয়দি মখোয়গা মরি ফত্তবা হায়বদু ওইরকখিদে। তৌবসু ১৯৬৫ গী মতমসিদা পোলাইতুং হায়রিবা খুলসিদা এন এস সি এনগী কেম্পসি নিপালমুক চাওনা চাওনা শারগা লৈ। মফমদু ইম্ফালগী মপানকাংজৈবুংমুক চাউই। ঐখোয়সু ইশাগী তৌফম থোকপা ইথৌ খরা তৌরগা লৈবনিনা করিসু থোইনা খল্লুদে। মখোয়না অপান্বা পোৎ খরদু পুবদা ঐঙোন্দা থোইদোক্লা লুম্বসু নত্তবনিনা, লোন্না থুপ্না পুরক্লগা অদুম পিবিরম্মী। হরাও হরাও কৌনরগা লোইনরকখি। ঙাইহাক পনবা মতমদা নোং ফাদোকসু ৱারি-ৱাতাই তৌনবা য়াওরকখি। ৱারিদি ইচম চম্বা ঙাক্তনি। গাড়ি দ্রাইভর ওইনা ওইনা অহলশিংগী মতুং ইন্দুনা থিকা মচা মচা খরসু তৌবা হৌজরকখি। ফুঙয়ারগী আই বি, ফুঙয়ার স্কুল, কামজোংগী স্কুল, উখ্রুলগী ৱাটর সপ্লাই, ফিস কোর্নর থ্রি মাইলস নাইন টেনগী লৈশাংখোং ফাওবগী লন্বী অসি শেম-শাবা য়াওজরম্মী। কামজোং স্কুল শাবা মতমদা, কামজোং খুল্লাকপগী ৱারী কয়া অমা খংজরকখি। কামজোং খুল্লাকপাসি মৈতৈ নিংথৌগী হেক মথংদা য়াম্না মতিক-মথৌনা লৈনিনা পানখিবা নিংথৌ অমনি হায়না ৱারী ময়াম অমা লিবিরকখি। ঐনা কামজোং স্কুল শাবা মতমদুদা খুল্লাকপগী ময়ুমদুদা মীগী অককপা মকোক ১৫মুক খিল্লগা লৈহৌই। মশমসু, ময়াসু লোইনা য়াওই। হৌজিকসু লৈরমখিনি খল্লি। হৌজিকফাওবা মীগী অককপা মকোক থল্লিবসি করিগীনো হায়না ঐনা হঙজরুবদা মসিদি লৈখিদ্রবা ঐখোয়গী অহল-লমনশিংদু কয়ামুক মথৌনা লৈবনো হায়বদু তাকপনি। অদুনা, ঐখোয়নসু মদু ঙাত্তুনা থন্বীবনিদা হায়না খুন্বীরকখি।

অদুগা, টেবল টেন্নিস অসি ঐনা ফুঙয়ারগী আই বি কন্না শারিঙৈসিদা উখ্রুলগী তাঙ্খুল মচাশিং শান্নবা হৌরে। নোংমা ঐনা থবক শুবা পান্নরিঙৈসিদা নুপামচা অনী অহুম্না টি টি বেটসি পায়রগা ফুঙয়ার হায়স্কুললোমদা চঙবা উখি। মখোয়সু টেবল টেন্নিস শান্নরজাৎলা হায়না ঐসু মখোয়গী মতুং ইন্দুনা চৎখি। স্কুল মনুংদুদা টি টিগী বোর্দ অমা থারগা লৈরমখি। ইশানা পামজবা গেমনিনা করমহায়না শান্নরিবনো হায়বদু ঐসু তুমিন্না ফল্লগা য়েঙখি। শিংজমৈদগী ভোৎকসি লেপখিবা, বুংবা নুপী লৌবা ওঝা টিকেন্না অঙাংশিংদু টি টি শান্নবা তন্বীদুনা লৈরমখি।

ঐনা খংজরকপদা, ওঝা টিকেনসি বেটমিন্টন শান্নরকপা মীশক্তি। টেবল টেন্নিসকী প্লেয়ারমক্তী নত্তে। মানা হৈজবা খরা তাকপদুদা ঐসু ঙৈহাক্তী য়েঙদুনা লৈজখি। অদুদগী ঐনা ওঝা টিকেনসিদা বেটতু ঐহাকসু ঙৈহাক পায়জবা য়াগদ্রা হংজখি। মদুদা ওঝা টিকেনসিনা করেম্নরপ্লা নংবু টি টি হৈজব্রনে হায়রকখি। ওঝা

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
অকাউ-পরৈ চল্লুরবশিং

টিকেনসিনদি ঐহাকসি গাড়ি দ্রাইভর ওইনা অদুম উবজাৎনি। অদুগা, ঐখোয়না শান্নজরম্বা মতমসিদদি টেবল টেন্নিস অসি সর্ভিস মঙা - মঙা তৌরগা শান্নরম্মী গেম পোইনসু ২১না ওইরম্মী। বেটসি হেক পায়বগা ঐনা গর্ভিস তৌরে। ঐদি পেন পায়রগা শান্নবনিনা, সর্ভিসসি ফৎ-ফৎ তৌবসিদা ওঝা টিকেনসি অমত্তা ফাবা ঙমদ্রে। সুম শান্নরকপগী, মানা পোইন্ট অমা লৌবা, ঐনা মরি য়ৌশিল্লকপা মতমসিদা, হুমাং শৌগৎলত্তুনা ঐনা মথক্তা লিৎপা ফুরিৎ অথাবসি ফৎ লৌথোকই। মতমদুদা ঐগী টি সার্টসিদা টি টি মণিপুর হায়না থাবসি উবদা মহাক্না ইবুংঙো নংবু কনানোনে হঙবিরকখি। ওঝা ঐগী মীংসি দয়ামোয় কৌজে, হৈরাঙ্গোই থোংদগীনি খুমজখি। মতমসিদা মানা হাইমা! নংগী নমিংদি তাবা কুইরে, শক খংনদবগীনিনে। নংদি স্কুল গেমসতগী মনা লৌরকখিবদু নত্তুনে? নংগা ঐগদি কদাইদগী শান্নবা য়ারগদগে, নং উনবা য়াম্না নুংঙাইরে। ঐখোয়না উজবদদি নংদি গাড়ি দ্রাইভর ওইনা উবনিনা টেবল টেনিস ফজনা শান্নরমগনি হায়বদি থাজরুদ্রে। অঙাংশিং টি টি শান্নবা হৌরকপদা ঙাইরিবা ঙাক্তনি। ঙাইহাক ঙাইহাক শংবা মতমদা মখোয়বু খরা তাকপীয়ু হায়দুনা মফমদুদা ঙাইহাক ঙাইহাক শান্নবা ফংজরকখি।

*... মথং মথং ...*



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০০

১) লূপ অসি মণিপুর সরকারদা কুমজা ১৯৫৫-৫৬তা রেজিষ্টর তৌখি। লূপ অসিনা ষ্টেট অসিদা শান্নবগী অশিল অরাংশিং তৌই। লূপ অসিনা মশা-মউ ফবা তান্নবগী থৌরমশিংদসু থৱাই য়াওনা অথোয় অহেন তান্নহল্লি। লূপ অসিগী মমিং পীয়ু।

২) কুমজা ১৯৬২দা কংলাদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট গেমসতা মহাক্না মরাথন্দা মকোক ওইখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।



৩) ইন্দিয়াগী টিমনা ৱেষ্ট ইন্দিজদা টেষ্ট মেচ শান্নবা চৎখিবদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী কেপ্টেন অদুনা ইন্দিয়াগী টিমদা মহাক্কী তিমদা লমহেনবা ফর্স্ত বোলর অমা য়াওই, মহাক্না বোল হুনবদা চহী ১৮ শুরবা ৱেষ্ট ইন্দিজগী শান্নরোয় অমদা মকোক্তা থাখি। মদুদা মহাক্না 'শোইখ্রে' ফাওবা হায়খিদে। অদুগা ইন্দিয়াগী টিমদা খরা চেকশিন্নবা হায়খি। অদুম থোকখি, ইন্দিয়াগী কেপ্টেন অদু মহাক্কী বোলনা মকোক্তা থোম্বদা মনাতোন্দা অমসুং মনাকোংদা ঈ তারকখি। মহাক ওপরেসন তৌখি। ৱেষ্ট ইন্দিজগী কেপ্তেন অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) করম্বা Poloগী শগোলবু সনাবী কৌবগে?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমগা স্পেনগী ভিলারিএল সি এফকা শান্নরগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম্না স্পেনগী ভেলেন্সিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা কোটিফ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা মেচতা ভিলারিএল সি এফকা লম্বা তৌনরগনি।




ইন্দিয়াগী হেদ কোচ ওইরিবা মেমোল রোকিনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি নুমিদাং অথেংবদা ভিলারিএলগা শান্নগৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ অদুগী রিজল্টনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুগী থাক কদায়দা লৈবগে হায়বদু খঙবা ঙল্লগনি হায়খি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা স্পেনগী খোঙচৎ অদুগী মাংওইননা ন্যু দিল্লিদা নুমিৎ ২১নিগী ওইনবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখি। মদুদা মেমোল রোকিনা হেদ কোচ ওইরগা মণিপুরী মচা হান্নসু ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অমা ওইরম্বী চাওবা অমসুং গোলকিপ্পিং কোচ রাজট গুহাগী মীৎয়েং মখাদা য়াম্না কন্না হোৎনখি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা কোটিফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্টর্নেসনলগী ওইবা এক্সপোজর অমা ফংবা ঙমগদৌরিবনি। ইন্দিয়াগী টিম অসি নুপীগী ফিফা রেঙ্কিংদা থাক ৬ হায়গৎলগা হৌজিক ৫৭শুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙল্লি। এক্সপোজর টুর অসিনা টিম অসিবু মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়র্সকী শেমশাবা ওইগদৌরিবনি।

# ইন্দিয়াগী অহানবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২২গী ক্বালিফাইং মেচ অনী গুৱাহাতি অমসুং কোলকটানা য়ুম্বু ওইরগনি

চেন্নাই, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী)ঃ



ফুটবোল মশান্নগী মালেমগী খ্বাইদগীচাউবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইদিসন অসিগী ক্বালিফায়র্সকী ওইনা ইন্দিয়ানা শরুক য়াগদৌরিবা অদুগী অহানবা মেচ অনী ইন্দিয়াগী সিটি অনী গুৱাহাতি অমসুং কোলকটানা য়ুম্বু ওইরগনি।

ওল ইন্দিয়াগী ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)গী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেট অমা ওইরিবা অসামগী কোনুং গুৱাহাতিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধি এথলেটিক্স ষ্টদিয়ম অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী কোনুং কোলকটাদা লৈবা সোল্ট লেক ষ্টদিয়মদা ইন্দিয়ানা শান্নগদৌরিবা কুমজা ২০২২গী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফাই ওইননবা শান্নগদবা অহানবা মেচ অনীগী য়ুম্বু ওইগদৌরিবনি।

ক্বালিফাইং রাউন্দ অদুদা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা এসিয়ন ক্বালিফাইংগী ওইনা গ্রুপ 'ঈ'দা ৱর্ল্ড কপ অসিগী য়ুম্বু কটার, ওমান, অফঘানিষ্টান অমসুং বংলাদেশকা পন্না শান্নমিন্নগদৌরি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কুসল দাসনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম্না এসিয়ন ক্বালিফায়রগী অনীশুবা রাউন্দগী অহানবা মেচ অদু ওমানগা চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ৫দা শান্নগনি অদুদা অনীশুবা য়ুম্বু ওইগদবা মেচ অদুনা ওক্টোবর ১৫দা কোলকটাদা ইন্দিয়াগা বংলাদেশকা লম্বা তৌনগদৌরি।

কুশল দাসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা গুৱাহাতি অমসং কোলকটাগী ষ্টদিয়ম অনী অসি এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন্না এপ্রুব তৌরবা ৱর্ল্ড ক্লাসকী ফুটবোল ষ্টদিয়মনি হায়খি। হায়রিবা ষ্টদিয়ম অনীমক কুমজা ২০১৭তা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেচশিং শান্নখিবা ষ্টদিয়ম ঙাক্তনি।

ইন্দিয়ানা অনীশুবা ক্বালিফাইং রাউন্দ অদুগী অনীশুবা মেচ অদু ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২২গী য়ুম্বু লৈবাক কটারগা সেপ্তেম্বর ১০দা কটারনা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নগদৌরিবনি। নবেম্বর ১৪দা ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টানগা অৱে মেচ অমা শান্নরগা ওমানগা নবেম্বর ১৯দা শান্নগদৌরি।

ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মখা তারকপা মেচশিংদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা কটারদা কুমজা ২০২০গী মার্চ ২৬তা শান্নগদৌরি। মদুগী মতুংদা ইন্দিয়ানা অৱে মেচ অমদা ২০২০গী জুন ৪দা বংলাদেশকা শান্নরবা মতুং জুন ৯দা অফঘানিষ্টানবু য়ুম্বু ওইদুনা শান্নগদৌরি।

# সাইনা নেহৱাল লৈহৌরে, প্রনিথ অমসুং নুপাগী দবলসতা রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেথি ক্বার্টর য়ৌখ্রে

বেংকোক, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী)ঃ



থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অনীশুবা রাউন্দদা লৈহৌরে, নুপাগী কাংলুপ্তা বি সাই প্রনিথ অমসুং নুপাগী দবলসকী এস রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেথি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল জপানগী শান্নরোয় এস তকাহাসিগী মখুত্তা ২১-১৬, ১১-২১, ১৪-২১দা মায়থীহৌদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনীনা অনীশবা রাউন্দ লম্বা তৌনবদা বি সাই প্রনিথনা সুভানকর দেবু য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ২১-১৮, ২১-১৯দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা থাইলেন্দগী শান্নরোয় এস থমাসিনবু ১৮-২১, ২১-১১, ২১-১২দা থোইরম্বা জপানগী কে সুনিয়ামাগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় ৫শুবা সিদেদ শান্নরোয় কিদম্বী স্রিকান্ত থাইলেন্দগী কে ফেটপ্রদবকী মখুত্তা ২১-১১, ১৬-২১, ১২-২১দা অনীশুবা রাউন্দ অদু মায়থীখি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী ঐচ এস প্রনোয় অমসুং পি কশ্যপসু অনীশুবা রাউন্দদা লৈহৌখি। প্রনোয়বু জপানগী কে নিসিমোতেনা ২১-১৭, ২১-১০দা মায়থীবা পীরমখি। অদুগা কশ্যপপুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় চাইনিজ টাইপৈগী চৌ টিয়ন সেনগী মখুত্তা ৯-২১, ১৪-২১দা লৈহৌখি।

নুপাগী দবলসকী ইন্দিয়াগী সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথিনা ইন্দোনেসিয়াগী অলফন অমদি অর্দিয়ান্টোবু ২১-১৭, ২১-১৯দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী এস সোই অমসুং এস সিয়োগা শান্নরগনি।

# স্বিটোলিনা অমসুং সবালেনকা সেন জোস টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

সেন জোস, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী)ঃ




য়ু এস এগী সিটি সেন জোসতা পাঙথোকপা সিলিকোন ভেলি ক্লাসিক টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা অমসুং বেলারসকী অরিনা সবালেনকা মায়পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা স্বিটোলিনানা রসিয়াগী দারিয়া কসাটকিনাবু য়াম্না কোম্না ৬-৩, ৬-১দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌনবগীদমক গ্রিসকী মরিয়া সকারিগা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা অরিনা সবালেনকানা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা য়ু এস এগী কোকো বান্দিৱেগীবু ৬-৩, ৬-৩দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলস মেচ অমদা কার্লা স্বারেজ নভারোনা য়ু এসকী বেথানি মাটেক সেন্সপু ৩-৬, ৬-১, ৬-২দা থোইদুনা ক্বার্ট ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অতোক্কা য়ু এস এগী ৱেসিংটন দি সিদা পাঙথোক্লিবা সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা য়ু এসকী সোফিয়া কেনিন অমসুং মোনিকা প্যুগ অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে। কেনিন অতোপ্পা য়ু এস এগী শান্নরোয় লোরেন দেবিসকী মখুত্তা ৫-৭, ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীহৌখি। অদুগা মোনিকা প্যুগ রসিয়াগী অনা কালিন্সকয়াগী মখুত্তা ৬-২, ৬-৭(৫-৭), ৪-৬তা মায়থীহৌখি।

ফ্রান্সকী ক্রিষ্টিনা লাদেনোবিসনা য়ু এস এগী চহী ১৭তা ঙাইরিবী হেলি বাপটিষ্টপু ৬-৪, ৪-৬, ৬-১দা মায়পাক্লা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

# রসিয়ান বোক্সিং টুরদা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৪ সেমী ফাইনেল য়ৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদলদি শোয়দনা ফংলগনি

কাস্পিয়স্ক, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী)ঃ




রসিয়াগী সিটি কাস্পিয়স্কতা পাঙথোকপা মাগোমেদ সলাম উমাখানোব মেমোরিএল ইন্টর্নেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৪ সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা ব্রোঞ্জ মেদল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।

সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৪ অদুদি পুজা রাণি, লোবলিনা বোরগোহেন, নিরজ অমসুং জোনিনি। এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবী পুজা রাণিনা মহাক্কী কিলোগ্রাম ৭৫গী কাংলুপ্তা রসিয়াগী বোক্সর পোলা মালেকুদলোভাবু পোইন্ট ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌনবগীদমক য়াম্না কন্না হোৎনগদৌরি।

নুপীগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবী ইন্দিয়াগী অসাম ষ্টেটতগী হৌরকখিবী লোবলিনা বোরগোহেননা কিলোগ্রাম ৬৯গী কেটগরিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা রসিয়াগী বোক্সরর অনাষ্টেসিয়া সিগায়েভাবু য়াম্না হেন্দুনা পোইন্ট ৫-০দা মায়পাক্তুনা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না ফাইনেল য়ৌনবগীগমক বেলারসকী বোক্সর এলিনা ভেবরগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী কিলোগ্রাম ৫৭কী কেটগরিদা ইন্দিয়াগী নীরজনা রসিয়াগী বোক্সর সয়ানা সগাটেভাবু পোইন্ট ৪-১দা থোইদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। পনবা য়াবদি নীরজ হন্দক্তা ইন্দিয়া ওপন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবতা ঙাইরিবনি।

অমরোমদা নুপীগী কিলোগ্রাম ৬০গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর জোনিনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা অদুদা বেলারসকী বোক্সর অনাষ্টেসিয়া ওবুসেনকোবু পোইন্ট ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী নুপীগী বোক্সর পিঙ্কি রাণি কিলোগ্রাম ৫১গা কাংলুপ্তা বেলারসকী য়ুলিয়া অপানাসোবিসকী মখুত্তা ক্বার্টর ফাইনেল অদু পোইন্ট ০-৫দা মায়থীদুনা মেদলগী লম্বেল লোয়শিনখি।

নুপাগী কিলোগ্রাম ৫২দা ইন্দিয়াগী বোক্সর অসিস ইন্সানা অজরবাইজানগী বোক্সর সলমান অলিজেদপু পোইন্ট ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না কুমজা ২০১০গী কমনৱেলথ গেমসকী গোল্ড মেদালিষ্ট গৌরব সোলানকি (৫৬), গোবিন সহানি (৪৯) অমসুং সঞ্জিৎকা লোয়ননা ক্বার্টর য়ৌবা ঙমখি।